

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইন্দিয়াগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোইশিংগী মনুংদা মালেমগী সিঙ্গলসকী মকোক মথং তাবগী পরিংদা মকোক থোংবা শান্নরোই ২০০ গী মনুং চনবা ঙম্বী অহুমশুবা শান্নরোই ওইরিবী অনকিতা রাইনা*

*কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী পুৱারীদা অহানবা ট্রান্সজেন্দর ৱেঠলিফটর অমা ওইনা কেজি ৯০ মথক্কী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারকপদা লেঙজুম শোকপদগী মখা তাবা কম্পিটিসন য়াওবা ঙমখিদবী ন্যু জিলেন্দগী লোরেল হবর্দ*

## ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী মিক্স টিম্না কম্মনৱেল্‌ঠতা অহানবা গোল্ড ফংখ্রে, নুপাগী টেবল টেন্নিসকী টিমসু গোল্ড মেডল লৌখ্রে
## সুট্টিংদা জিতু রাইসু গোল্ড ফংদুনা মেডল টেলিদা ইন্দিয়া গোল্ড ১০, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ ফংলগা ৩শুবদা লৈখ্রে

*গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ০৯ঃ*

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী মিক্স টিমগী অহানবা গোল্ড মেডল অদু ফংখ্রে, টেবল টেন্নিসকী নুপাগী টিম ইভেন্টতসু ইন্দিয়া গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা সুট্টিংদা জিতু রাইনা গোল্ড ফংদুনা চথরিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিগী মেডল টেলিদা ঙসি ৫শুবা নুমিৎতা গোল্ড মেডল ৩ হাপচিন্দুনা পুন্না গোল্ড ১০, সিলভর ৪ অমসু ব্রোঞ্জ ৫ ফংলগা পুন্না মেডল ১৮ লৌদুনা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দগী মথংদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

বেদমিন্টনগী মিক্স টিমগী ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়ানা লম্বা তৌনখিবনি। মালেসিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন লি চোংৱৈনা লুচিংবা টিম অদুবু ইন্দিয়াগী টিম্না মায়থিবা পীদুনা মখোয়না হৌখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ৩ দা চেম্পিয়ন ওইখিবা অদু ইন্দিয়ানা মুনবা ঙমখি।

ফাইনেল অদুগী অহানবা মেটচ অদু মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী রানকি রেদ্দি অমসুং আশ্বিনি পোনাপ্পানা মালেসিয়াগী পেং সুন চান অমদি লিয়ু য়িং গোবু ২১–১৪, ১৫–২১, ২১–১৫ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ অদুদা হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা কিদম্বি শ্রিকান্থনা মমিং লৈরবা মালেসিয়াগী শান্নরোই লি চোংৱৈবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৭, ২১–১৪ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল ফংবগী লম্বেল নকশিনখি।

নুপাগী দবলসতা মালেসিয়াগী সেন গো অমসুং ৱি কিওং টাননা ইন্দিয়াগী রানকি রেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিবু ২১–১৫, ২২–২০ দা থোইদুনা স্কোর অদু ইন্দিয়াগী ২ অদুগা মালেসিয়াগী ১ লৈখি।

অদুবু মখা তারকপা ৪শুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেটচ ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা মালেসিয়াগী সোনিয়া সিএগা অকনবা লম্বা থেংনরগা ২১–১১, ১৯–২১, ২১–৯ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৩–১ দা হেন্দুনা গোল্ড মেডল অদু ফংখিবনি।

টেবল টেন্নিস মশান্নগী নুপীগী টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা গোল্ড লৌখ্রবা মতুং নুপাগী টিমদা ইন্দিয়ানা নাইজেরিয়াগা ফাইনেল শান্নখি। অহানবা মেটচ ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সরাথ কমালনা নাইজেরিয়াগী বোদে এভিওদুনবু ৪–১১, ১১–৫, ১১–৪, ১১–৯ দা থোইদুনা একাউন্ট হাংখি।

অনীশুবা সিঙ্গলস মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা জি সাথিয়াননা নাইজেরিয়াগী সেগুন টোরিওলাবু ১০–১২, ১১–৩, ১১–৩, ১১–৪ দা থোইদুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি। অদুগা দবলসকী মেটচতা সাথিয়াননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই হর্মিত দেসাইগা পেয়র ওইরগা নাইজেরিগী এবিওদুন অমদি ওলাজিদে ওমোটায়োবু ১১–৮, ১১–৫, ১১–৩ দা মায়থিবা পীদুনা নুপাগী টেবল টেন্নিস টিমগী গোল্ড মেডল অদু ফংখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা সুট্টিং দিসিপ্লিনগী নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা মমাঙগী ২০১৪ গ্লাসগো কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা মিটর ৫০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড ফংখিবা ইন্দিয়াগী জিতু রাইনা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড ফংদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা গোল্ড মেডল ১০ শুহনখি।

গোল্ড কোষ্ট সিটিগী বেলমোন্ট সুট্টিং সেন্টরদা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা জিতু রাইনা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ফাইনেল রাউন্দদা য়াম্না ফজরক্তুনা পুন্না পোইন্ট ২৩৫.১ ফংলগা অনৌবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল অদু লৌখিবনি।

ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর ও মিথরবালনা পোইন্ট ২১৪.৩ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি। অদুগা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগী সুট্টর কেরি বেলনা পোইন্ট ২৩৩.৫ ফংলগা সিলভর মেডল লৌখি।

সুট্টিং দিসিপ্লিনদা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা য়াম্না ফজবা লম্বাদা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ তা ঙাইরিবী মেহুলি ঘোসনা সিলভর অদুগা মমাঙগী চেম্পিয়ন অপুর্ব চন্দেলানা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদু সিঙ্গাপোরগী মার্টিনা লিন্সে ভেলোসোনা লৌখি।

ইভেন্ট অদুগী ফাইনেল রাউন্দগী সোট ২৪ কাপ্লবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী মেহুলি ঘোসনা অমসুং সিঙ্গাপোরগী লিন্সে ভেলোসোনা পুন্না কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমদুনা পোইন্ট ২৪৭.২ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী সুট ওফ তৌনখি।

মরু অমগী সুট ওফ অদুদা ইন্দিয়াগী মেহুলি ঘোসনা পোইন্ট ৯.৯ কাপখিবদা সিঙ্গাপোরগী মার্টিনা ভেলোসোনা পোইন্ট ১০.৩ কাপখিবদগী গোল্ড মেডল অদু মহাক্না লৌখিবনি।

ৱেঠলিফটিংদা ইন্দিয়াগী পর্দিপ সিংহনা কেজি ১০৫ গী কেটেগোরিদা স্নেটচতা কেজি ১৫২ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কন কেজি ২০০ থাঙ্গৎলগা পুন্না কেজি ৩৫২ দা সিলভর মেডল অদু ফংখি।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা সামুৱাগী সানেল মাওনা স্নেটচতা কেজি ১৫৪ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কত কেজি ২০৬ থাঙ্গৎতুনা পুন্না কেজি ৩৬০ দা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

*এঠলেটিক্সঃ–*

ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্ট সিটিগী কারারা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা এঠলেটিক্সকী য়াম্না মরুওইবা ইভেন্ট অমা ওইখিবা মিটর ১০০ গী লমজেলদা নুপীগী ওইনা ত্রিনিদাদ এন্দ টোবেগোগী এঠলিট মিসেল লি আয়েনা সেকেন্দ ১১.১৪ দা গোল্ড মেডল লৌখি।

সিলভর মেডল অদুনা জমাইকাগী এঠলিট খৃষ্টিনিয়া ৱিলিয়মসনা সেকেন্দ ১১–২১ দা চেন্দুনা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুসু জমাইকাগী গায়োন ইভান্সনা সেকেন্দ ১১.২২ দা লৌখিবনি।

ইভেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলুপ্তা সাউথ অফ্রিকাগী অকানি সিমবিনেনা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড ফংগনি হায়না থাজনরম্বা জমাইকাগী য়োহান ব্লেকপু মায়থিবা পীদুনা লমজেল অদু সেকেন্দ ১০.০৩ দা চেন্দুনা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা সিলভর মেডল অদুসু সাউথ অফ্রিকাগী অতোপ্পা এঠলিট হেনরিকো ব্রুন্টজিজনা সেকেন্দ ১০.১৭ চেল্লগা ফংখি। অদুগা জমাইকাগী য়োহান ব্লেকনা সেকেন্দ ১০.১৯ চেল্লগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

*বোক্সিংঃ–*

২১শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী বোক্সিং দিসিপ্লিনগী ঙসি পাঙথোকখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অনীদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনী গৌরব সোলানকি অমসুং মনিস কোসিক মখোয়–মখোয়গী বাওট মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কেরিয়রগী অহানবা ওইনা শরুক য়ারক্লিবা গৌরব সোলানকিনা কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা ঘানাগী বোক্সর অকিমোস অনাং অম্পিয়াবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারকখিবা মনিস কোসিকসু মহাক্কী বাওট অদুসু ত্রিনিদাদ এন্দ টোবেগোগী বোক্সর আলেকজেন্দরগা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

কোসিকনা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক য়ুরোপিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডলিষ্ট ইংলেন্দগী বোক্সর কালম ফ্রেন্সকা লম্বা তৌনরগনি।



*বেদমিন্টন মিক্স টিমগী গোল্ড মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*



*নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী জিতু রাই*



### Commonwealth Games 2018 Medal Tally

| Rank | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Australia | 39 | 33 | 34 | 106 |
| 2 | England | 22 | 25 | 16 | 63 |
| 3 | India | 10 | 4 | 5 | 19 |
| 4 | New Zealand | 8 | 9 | 6 | 23 |
| 5 | South Africa | 8 | 5 | 5 | 18 |
| 6 | Canada | 7 | 17 | 13 | 37 |
| 7 | Scotland | 6 | 8 | 11 | 25 |
| 8 | Wales | 6 | 6 | 4 | 16 |
| 9 | Cyprus | 4 | 0 | 2 | 6 |
| 10 | Samoa | 2 | 2 | 0 | 4 |
| 11 | Malaysia | 2 | 1 | 2 | 5 |
| 12 | Uganda | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 13 | PNG | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 14 | Singapore | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 15 | Fiji | 1 | 0 | 1 | 2 |
|  | Northern Ireland | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 17 | Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 18 | Nigeria | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 19 | Sri Lanka | 0 | 1 | 2 | 3 |
|  | Kenya | 0 | 1 | 2 | 3 |
| 21 | Bangladesh | 0 | 1 | 0 | 1 |
|  | Jamaica | 0 | 1 | 0 | 1 |
|  | Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
|  | Nauru | 0 | 1 | 0 | 1 |
|  | Trinidad & Tobago | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 26 | Pakistan | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 27 | Cameroon | 0 | 0 | 1 | 1 |
|  | Cook Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |
|  | Malta | 0 | 0 | 1 | 1 |
|  | Norfolk Island | 0 | 0 | 1 | 1 |
|  | Solomon Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |
|  | Vanuatu | 0 | 0 | 1 | 1 |

## মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা ফংখ্রে
## ভোলভো কার ওপন টেন্নিসকী সিঙ্গলস টাইটলনা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা লৌখ্রে

*মোন্টেরি। চার্লিষ্টোন, এপ্রিল ০৯ঃ*

মেক্সিকোগী সিটি মোন্টেরিদা চথরকপা মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা ফংখ্রে, য়ুএসএগী সিটি চার্লিষ্টোনদা চথরকপা ভোলভো কার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদুনা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা লৌখ্রে।

মোন্টেরি ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা রোমানিয়াগী অনা বোগদানবু ৬–০, ৭–৫ দা থোইরম্বনি। অদুগা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএগী সচিয়া ভিকেরিবু ১–৬, ৬–২, ৬–২ দা থোইরম্বনি।

মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা স্পেনগী গাবিন মুগুরুজানা অমসুং হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট বাবোসনা মুগুরুজাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোখরবা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা অনীশুবা সেট অদুদা মহাক্কী ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নবা ঙমখিবদগী বাবোসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু ফংবা ঙমখি।

মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা য়ুএসএগী দি ক্রোজিক অমসুং কানাদাগী জি ওলমোসবু গ্রেট বৃটেনগী এন ব্রোদি অমসুং স্পেনগী সোরিবেস টোর্মোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নবা মতুং ৩–৬, ৬–৪, ১০–৮ দা থোইদুনা ইভেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

য়ুএসএগী সিটি চার্লিষ্টোনদা চথরকপা ভোলভো কানর ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ১২শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ৫শুবা সিদেদ জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট নেদরলেন্দসকী বর্টেন্সনা জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমা মাঙজিল থারবী নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা হেন্না ফজরক্তুনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসকী সার্ভিস গেম অনী অমুক্কা হন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা ভোলভো কার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

ভোলভো কার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা রুশিয়াগী এ কুদ্রিয়াভসেভা অমসুং সর্ভিয়াগী কে স্রেবোটনিককী পেয়রনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ পেয়র সর্ভিয়াগী এ ক্লেপাক অমসুং স্পেনগী মার্টিনেজ সঞ্চেজবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–৩ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।





## স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ভেলেন্সিয়ানা ইস্পানিওলবু ১–০ দা থোইখ্রে
## ইটালিগী সেরি এ দা এসি মিলান অমসুং সাসুলো পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখ্রে

*মাদ্রিদ। রোম, এপ্রিল ০৯ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৩১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়ানা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অমরোমদা ইটালিগী সেরি এ ফুটবোলদা এসি মিলান অমসুং সাসুলো পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখ্রে।

ভেলেন্সিয়া অমসুং ইস্পানিওলনা শান্নখিবা লা লীগাগী ৩১শুবা লীগ মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ভেলেন্সিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি। শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা রোদ্রিগেজনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ইস্পানিওলবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ৩৮ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবা অদু মায় পাকপা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ অদুদা ভেলেন্সিয়ানা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা অদুদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকপগী লম্বাদা ইস্পনিওলগী শান্নরোই অনী মেটচ অদু কন্দত্তং তৌরিবা রেফরিনা য়োলো কার্দ বুক তৌখি। অমরোমদা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই অনী অমসু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ৩১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু ভেলেন্সিয়ানা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা বার্সেলোনানা পোইন্ট ৭৯ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি। এটলেটিকো মাদ্রিদনা পোইন্ট ৬৮ ফংদুনা খ্বাইদগী নক্না তান্নরি। অদুগা ঙসি মায় পাকখিবা ভেলেন্সিয়াগী টিম্না পুন্না পোইন্ট ৬৫ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা রিয়েল মাদ্রিদকী টিম পুন্না পোইন্ট ৬৪ ফংদুনা টেবলগী মরিশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেরি এ গী ঙসি শান্নখিবা ৩১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা এসি মিলান অমসুং সাসুলো পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখি।

এসি মিলান অমসুং সাসুলোনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকপা মরম্না অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা এটেক হেন্না তৌনদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা লাক্নরকখি। সাসুলোগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা মাটিও পোলিটোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এসি মিলানবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

টিম অনীনা মখা তানা লম্বা তৌনরকপা অদুগী শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা এসি মিলানগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা নিকোলা কালিনিকনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী সেরি এ গী ৩১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু এসি মিলান অমসুং সাসুলো পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখি।

